# কদোমদা কংলৈপাক্কী খোঙচৎনা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -






করিনো তৌরিসিবু ইরমদম কংলৈপাক কঙবা তারব্রা। চয়োল কয়াদি ফাজিল্লক্লে ইরমদমগী হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মখোয় পার্টিগী ওইবা মনুংদা য়ানদবনি হায়দুনা ফম মুন্নদুনা লাকপা ঙসি ফাওবা য়ানবা লৈখায় অমা পুরকপা ঙমদ্রি। ইরমদমগী ফমদা ঙাওজবা, মরমদম কংলৈপাক্কীদমক্তদি থোইদোক্লা ৰাবা ফাওজদবা অদুগা মখোয় মখোয়গী ফমগীদমক্তি য়াম্না ৰাজবা, থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লান্থেংনবা পামজবা লুচিংবশিং অসিনা চৎলিবা দিল্লিদা। মখোয় কয়াদি য়াম্মে সী এমবু শৌগৎপা কাঙলূপ অমা অদুগা সী এমগী মায়োক্তা লৈবা কাঙলূপ অমা। কাঙলূপ অনীমক সেন্টরদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উনবদা, চৎথোক চৎশিন্দা, চাবদা-থকপদা, লৈবদা চঙলিবা শেলশিং অসি মখোয় মখোয়গী ফুরিৎখাওদগী ওইরম্লোই, মীয়ামগী শেল শোয়দনা ওইরমগনি। মসিগী মথক্তা কয়ারক্তি শুরে সেন্টরগী বি জে পি লুচিংবশিং লাক্লম্বা হীরম অসিবু য়েংশিনবা। লোইদ্রি মসিনসু। সেন্টরনা লেপ্পা লৈতনা লুচিংবশিং অসিবু অমুকমুক কৌই, অমুকমুক কৌবা তৌদুনা ৰারী শানরিবনি হায়দুনা। কৌরিবা, চৎলিবা অসুক য়াম্লবা অমদি অসুক কুইরবসিফাও করিগীনো য়ানবা ঙমখৈ অমদা লাকপা ঙমদ্রিবনো। সি য়ৌশিল্লক্লদি চিংনদবা ঙম্লক্ত্রে করি করম্বা অরোনবা পোরম য়াৎতুনা সেন্টরনা শেন্থীনবা হোৎনরিব্রা, শেমদোক্লবা হোৎনরিব্রা নৎত্রগা শেগাইনবা হোৎনরিব্রা হায়বদো।

অসিগুম্বা মখোয় পার্টি মনুংদা য়ানদবা, ফম পায়জনীংবগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী পার্টি পূন্না চৎমিন্নদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়াদ্রে। অসুম্না কয়া কুইনা লৈখিগদৌরি। অসুম্না য়ানদনা লৈরিবা ফীভম অসিদা য়ানদ্রে হায়দুনা সেন্টরনা প্রসিদেন্ট রুল সট হেক থমজিল্লক্লবদি লৈঙাক্লা তৌগে খনবসু তৌবা ঙম্লোই অদুগা মীচম মীয়াম্না তৌবা য়ারোই হায়বনচিংবা হীরম ময়াম অমা লৈরিসিসু নীংতম্না ফোঙদোকপগী তাঞ্জা অমত্তা ফংলরোই। মদুমক তারক্লোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞ্জে।

খুদম ওইনা হায়রবদা ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা মণিপুর প্রোটেক্সন বিল হৌজিক প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদনা লৈবদগী আই এল পিগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ঙরাং নহান্তা লাউথোকখিবদা ঙাইরি অচৌবা খোঙজং অমা চঙলগনি হায়দুনা বিল অদুবু সেন্টরনা পাস তৌনবা হায়দুনা। অদুগা বোর্দরগী ইস্যুসু লৈরি লোইশিনদ্রিবা। অতৈ হীরম ময়াম অমসু লৈরি ইরমদমগী লৈঙাক্লা পায়খৎকদবা অমদি সেন্টরদা তক্লরুগদবা। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্তি মথৌ তৌবা পূমলেপ লেপখ্রে হায়বা য়ারে।

অসিগুম্লবা তাঙ্কক অসিদা হান্নদগী লোইশিনদ্রিবা বোর্দর পিল্লর ৮১গী ইস্যুসিগী মথক্তা হৌজিক হৌজিক্লা পিল্লর ৮২গী ইস্যু অমুক লাক্লে। হান্না ৮১গী ইস্যুসি লোইশিনবীয়ু হায়দুনা লমদম অসিগী সী এস ও কয়া অমনা অমদি বি পি ৮১গী মনাক্তা লৈরিবা খুঞ্জা কয়ানা লৈঙাক্তা তকশিনখিবনি লৈরিবা চয়েৎনবা বোর্দর ইস্যু অসিবু লৈখাই তাহনবীয়ু হায়দুনা। লাক্লম্লে সেন্টরগী মীহুৎ ফাওবা। অদুবু লাইবক থীবদি পাল্লিবা লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা মথৌনা ফনা মীয়াম্না ম্যান্মারগী ঙমখৈ ঐখোয়রোমদা চঙশিল্লকই হায়না অচুম্বা হায়বদুবুনা লাল্লে হায়রগা অরানবা সেন্টরনা চয়েৎনবা লৈতে হায়বদুনা চুম্মী হায়না ফিরেপ লৌখিবনি। অদুগুম্বা ফিরেপ অদুনা ম্যান্মারনা ঐখোয়গী ঙমখৈদা চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু হায়দ্রে, য়ারে হায়না খনখিবনা ঙসিসু মথৌনা ফনা ঐখোয়গী ইরমদা লম্বী শেমজববু মখোয়গী লমনি হায়না থৌনা ফনা লম্বী শেম্বদা খূৎ থিংজিনবা ঙম্লক্লিবা নৎত্রা। য়ারে খঙলবনিনা অদুম তৌরকপা তাবনি। মসিগী বি পি ৮২গী মতাংসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা য়াম্না লূম্না, লুনা লৌদুনা সেন্টরদা হীরম অসি থাঙ্গৎতুনা থবক খরা তৌহৌদ্রবদি বি পি ৮১, ৮২দা নত্তে অতোপ্পা বোর্দর পিল্লর কয়া অমগী চয়েৎনবগী ইস্যুশিং মথং মথং লাক্লগনি।

তোন্না হিংলিদকো ঐখোয়সে। ঐখোয়গী ইরমদমফাওবা, ইশাগী লম্বী ফাওবা ইনীং তম্না শেমজবা ঙম্লক্ত্রে। ইশাগী ইঙ্খোলদা ইশাগী লম্বী শেমজনবা অতোপ্পা থংনবা ইঙ্খোলনা লম্বী শেম্বা য়ারোই কায়না থিংলকপসিবু চৎনরিব্রানে। মসি ওইরেকো ইন্দিয়াদা তিনলুবগী নুংঙাইবা হায়বদো। অসিগুম্বা ইস্যুশিং লাকপসিদা লৈঙাকসিনা মখোয় মশেল ফম মুন্নরিঙৈদা করি তৌবা ঙমগদৌরিবা। ঐখোয়গী লুচিংবশিংসি হায়রিবা বি পি ৮২গী চয়েৎনবা ইস্যু অসিসু করিসু চয়েৎনবা লৈতে মফম অসি ম্যান্মারগী মফমনি, লমনি হায়গদৌরিব্রা? অসুম্না ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্টরনা খূৎ থিংজিনবীরক্লবা হোৎনদবনা ইরমদমগী ঙমখৈসি মচেৎ মচেৎ সুম মাঙশিল্লক্লবসু মখোয় মশেল ফম মুন্নদুনা লৈরি হৌজিকসু। নুংঙাইগদৌরি লমদমসে।

নুংঙাইরিয়ে ঐখোয়গী হৌজিক লৈঙাক পায়বিরিবা লুচিংবশিংসে। মখোয় মখোয়গী ফম ফংনবা দিল্লিদা ঙাইহাক লৈতনা সেন্টরগী লুচিংবশিংবুদি উন্নবা চৎপা ঙম্মী মীয়ামগী শেল চাউনা চাউনা হুনে দাক্তুনা। অদুবু অসিগুম্বা কংলৈপাক খুন্নাইগী তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংনা মখোয়গী পোক্লফম লমদমনি, মমা লৈবাকনি হায়না খঞ্জদুনা লৈহৌগদৌরিবা লমদম অসিগী ঙমখৈগী চয়েৎনবা থোরকপদদি লুচিংবা অমত্তসু চোংথোরকপা থেংনদে,দিল্লিদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিং অসি উন্নদুনা চয়েৎনবা ঙমখৈগী ফীভম অসিবু ম্যান্মার লৈঙাক্তা উনবীদুনা লৈখা তাবা ফীভম অমদা পুরক্লবা। বোর্দর বিল্লর ৮১গী চয়েৎনবগী মতাংদসু ঐখোয়গী লুচিংবা অমত্তা সেন্টরদা চৎতুনা তক্লখিবা থেংনখিদে নৎত্রগা ঐহাক্লা থেংনহৌদব্রা। ঐহাক্লা থেংনখিবা, তাজ খিবদি সী এস ও ময়াম্না তকশিনবদগী সেন্টরগী মীওই অহুম্না শাবা কাঙলূপ অমখক লাকখিবদি থেংনজহৌই। মদুসু মমিংগী ওইনা খূৎশু খূৎলায় অমত্তা পায়দনা লম কোয়বা ওইনা লাকপদগী সী এস ও অমদি ক্লাথা খুনৌগী খুঞ্জাশিংনা অমখক্তি নমদুনা ঐখোয়গী ঙমখৈরোমদা য়ুংশিল্লকপা বোর্দর পিল্লর ৮১ অদু য়েংহনখিবনি। ৰাশক কয়া অমা পীরম্লগা হনখিবদুগী মতুংদা থা কয়ামরোম লৈরগা খোঙলূপ অমগা লাক্লম্বা থেংনখ্রে। মদুসু ইরমদমগী লৈঙাক্তা ফাওবা পাউ নীংথি নুংঙাইনা পীরক্তনা ইরমদমগী মীওই অমা ফাওবা য়াওদনা ঙমখৈ য়েংশিনখিবগুম তাখি। খোঙচৎ অদুগী পাউসু অদুম তাখিদ্রে করি লেপ্পখিবা ম্যান্মারগা।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিংসে লমদম অসিগী ঙমখৈবুদি থৌশানা লৌদবা অদুগা মখোয় মখোয়গী ফম্বু ফংনবা হোৎনবদদি থৱায় ফাওবা থাজগে হায়না থোরকপা ঙম্মী। ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিবু মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংসু লমদম অসিদা চাউরক্কদৌবনি, লৈহৌগদবনি হায়বসিবু কাউরব্রা কৈনো। লমদম অসিগী ঙমখৈ মাঙখ্রবদি মখোয়না ফম তাল্লিবা অদুগী ৰাহম্থোকপু লৈখিগদ্রা। কনাগুম্বা লুচিংবা অমতা ঙমখৈগীনি, দিল্লিদা চৎকে কায়না থোরক্লদি কয়াদা পেঞ্জগদবা মীয়াম্না। অসিগুম্বা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা মখোয়না দিল্লিদা চৎপদা কনানসু শেল তিংহল্লি হায়রক্লোই। অদুদি নত্তদুনা মখোয় মখোয়গী ফম তান্নবদা মীয়ামগী শেল চাউনা চাউনা মাঙহল্লি। শেল চাউনা চাউনা মাঙহল্লবা মতুংদসু অরোইবা, য়ানবা ৰাফম অমা পুরকপা ঙমদ্রি। করিনো তৌরিসিবু মীচম ঐখোয়দি ৰারেদা লুচিংবশিং অসিনা তৌরিসে। অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাকসিসু য়াম্না মথৌনা লৈতে, থবক তপ্পী। করিগীনো অসুক কুইবসি ফীরেপ অমা লৌদুনা ৰারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবা। মসিমক্ল নি ইন্দিয়ানা মাঙদা চঙশিনবদা অসুক্কী মতিক তপ্লিবা। থংনবা লৈবাক চাইনানা থা কাদুনা লৈবগী ফীভম য়ৌরফাওবদা ইন্দিয়াদি ৰা ঙাঙদুনা লৈরিঙৈদা লৈখোমদা পুথদুনা চৎপগুম লেংলি।

ঙমখৈগী চয়েৎনবা অসিগী মথক্তা হৌজিক্লা লমদম অসিবু হিংনা থমগদৌরিবা লৌবুক লমহাং কয়াদি লৌ উবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। মসিদসু লুচিংবশিং অসি পূন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনবা মতমসিদা মখোয় মশেল ফম মুন্নরিঙৈদা লৌউ-শিংউবগী লম্‌সিদসু মপূং ওইবা থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে। লৌমী কয়াদি ৰাবনা লোইরে। হৌজিক হৌজিক চেঙগী মমলনা কেজি অমদা লুপা ৫০ য়ৌরে। মথং চহীদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ফংদবা ফীভমসিনা মরম ওইদুনা লৌউ-শিংউবা য়াদ্রবদি ফৌ চেঙগী মমল করি ওইরক্কনি মথং চহীনা লাকপদা। লৌউ-শিংউবা য়াদদুনা চেঙ ফাওবা লৈবা ঙমদনা চরা অনী শুনা চাবা ঙম্লক্ত্রবা কান্দুদা অঙাংশিংবু, মহৈরোয়শিংবু করম্না মহৈ তম্বা থাবা ঙমগদৌরিবা। অঙাংশিংনা, মহৈরোয়শিংনা স্কুলদা চৎতুনা লাইরিক লাইশু নীংথিনা তম্বা ঙম্বা হায়বসি য়ূম য়ূমদুগী শেলগী ফীভমদা য়াম্না মখা পোল্লিবনি কংলৈপাক্কুম্বা লমদম অসিদদি।

মমা মপা ওইবশিংনা মখোয়-মখোয়গী ইমুংশিং পুক থন্না চাবা ফংনবা হোৎনরকপদা মখোয়না তাল্লিবা শেল অদুনা ইমুং অদুবু চলাইবা ঙম্লক্ত্রবদি, পুক থল্লক্ত্রবদি অঙাংসিবু স্কুলদা থাবগী ৰাহম্থোকপু লৈরিব্রা। পুক থল্লকান্দা মহৈশঙদা চৎতুনা মহৈ তম্বা ঙম্বনি, পুক হাঙলদি কদাইদগী মহৈ মশীন তম্বা চঙগদৌরিবা। অসিগুম্বা ফীভম অসি লাকপদগীনি ইন্দিয়াগী ইমুং কয়ানা মখোয় মখোয়গী অঙাংশিং মহৈশঙশিংদা মহৈ মশীন তম্লুনবা থাবগী মহুত্তা থবক ইনখাং তৌদুনা শেল তাল্লুনবা থারিবা। মসিমক্তি চুমদ্রবনি। অসিগুম্বা নৌরিবা অঙাংশিংবু লাইরিক তমহনদবা অমদি শেল তাহনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৰাংমদনি। অদুবু কনানা ইমুংশিং অসিগী মথক্তা ৰারক ৰাতেম তৌবা ঙম্বগে, ঙমদে। ঙমসু ঙম্লোই করিগী পুক থল্লক্তবনা, চানবা লৈরক্তবনা।

অদুবু পাল্লিবা সেন্টরগী অমদি ষ্টেট লৈঙাক অসিনদি লাউরি মখৌ পোংনা পোংনা অঙাং খুদিংমক মহৈ তমহনগদবনি, অঙাং ওইরিবশিংবু শেন্দাল লম্বীদা চঙহল্লোইদবনি, চহী অসুক্তা লিটরেসি রেট চাদা ১০০ ওইহনগনি হায়বনচিংবা লাউথোক্লি মিদিয়াগী থোঙদা। অদুগা তশেংবদি ওন্না তৈনবদা লৈরি। ইম্ফাল অমদি তম্পাক্তা লৈবা ইমুং কয়া ফাওবা নৌরিবা অঙাংশিং স্কুলদা মহৈ মশীন তম্বা থাবা ঙমদবা কয়া অমা লৈরি, অঙাং কয়া অমনা শেন্দাল লম্বীদা পুশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী শেন্দাল লম্বীদা চঙদুনা মমা-মপাগী মতেং পাংনবা হোৎনবা কয়ানি। ইম্ফালদা, তম্পাক্কী ইমুংশিংদফাও অসিগুম্বা ফীভম য়ৌশিল্লক্লবদি অথাপ্পা চীংগী খুঙ্গংশিংদদি কমদৌবা। চীংগী খুঙ্গংশিংদদি অমুক্কা হেন্না ৰারিবনি শেন্দাল লম্বীসে। তম্পাক্তদি য়াম্না তানবা তান্দবা থবক শুফম খরদি লৈরি অঙাংশিংগীসু, অহলশিংগীসু, হায়বদি চীংগী খুঙ্গংশিংগা চাংদম্নবদা। খুদম ওইনা হায়রবদা রিক্সা থৌবা, পোৎ য়োনবা, য়ূম শাবা, নূং থুগাইবা, রেষ্টুরেন্ট অমদি হোটেলনচিংবদা থবক তৌবশিংনচিংবা কয়া অমা লৈরি অদুবু চীংদদি কদাই, করি শূদুনা ইমুং পুগদৌরিবা, অঙাংশিং মহৈ তমহনগদৌরিবা। মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈদি পামদা এঞ্জাং-নাপি, উহৈ-ৰাহৈ থাদুনা থবক শূবা অমদি খরা য়োনবা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা লৈতে। অসিগুম্বা ইমুং অসিদা করম্না লাইরিক তমহনবা ঙমগদৌরিবা। পুক হান্না থন্নবা লম্বী পীবিয়ু অদুগা মহৈদি অদুম তমহনবা ঙম্লক্কনি। পুক্তি থলহন্দনা পংলাউদা লাউই অঙাং খুদিংমক লাইরিক তমহনগদবনি, চহী অসুক ফাওবগী মনুংদা লাইরিক হৈবগী চাং চাদা চা ওইগদবনি হায়বনচিংবা।

হৌজিক হৌজিক কুমগী নোং মরাং কায়না তাদবনা ঈশিং ৰাৎপদগী লৌউ-শিংউবা য়াদনা লৈবগী অসুক মতিক ৰানরি লৌমীশিংনা। অদুগা নাকল অমরোমদনা অসিগুম্বা লৌমীশিংগী ওইরিবা অৰাবা ফীভম অসিবু উবীদুনা করম্বা থৌওং লৌখৎসিগে হায়বগী থবক চিনবগী মহুত্তা ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিগী থৱায়দি মখোয় মখোয়না ফম ফংবদা ওইনা লূপ্তুনা লৈরে। কুমগী নোংদা মখা পোন্দুনা লৌউ-শিংউবা তৌবদি য়ারোই। দাম, কেনেল, ঈথৎ-ঈখোং শেমগৎপা য়াম্না মথৌ তাই হায়নসু মমাঙগী খূৎই কয়াদসু পঞ্জখ্রে। মদুমক্তি হৌজিক হৌজিক তৌবা ঙমলোইদবনা হান্নগী লৈরিবা দাম অমদি ঈথৎ-ঈখোংশিং অসি শেমজিন্দুনা মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। হান্না শাদুনা লৈরবা দাম কয়াদা লৈরিবা ঈশিং চিংনবা, থানবা ইঞ্জিন কয়াসু শীজিন্নবা য়াদনা লৈরি হায়না টি ভি অমদি পাউচেনচিংবদা উই, তাই। মসিবু হান্না শেমজিন্নবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো পাল্লিবা লৈঙাকসিনা। খুদক খুদক্কী ওইনা থবক তৌবসিবু ঐখোয়গী হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিং অসিগী হৈনবীরা। লায়রবা লৌমীশিংনা অমদি লায়রবা মীচম মীয়াম্না ৰারিবসে ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিদি শেল পায়বনিনা করিসু খঙদবগুম, উদবগুম তৌরি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা সী এ বিনা মরম ওইদুনা মীতোপ মীয়ানচা ময়াম অমা থোমজিল্লকপগী মীপাইনরি মীচম মীয়াম ঐখোয়দি, মরুওইনা সেন্টরদা বি জে পি লৈঙাক্লা সী এ বি চৎনহনগনি হায়না লাউথোকখিবনা। হীরম অসিদসু পাল্লিবা ইরমদমগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎপগী মহুত্তা সেন্টরগা পার্টি মান্নবনা মীয়াম্না ৰারিবা, মীপাইরিবা অসিবুসু লাল্লে হায়বিরি লোয়ননা মসিদা করিসু ৰানীংঙাই লৈতে হায়না তত্তনা হায়রি। অদুবু সেন্টরনা সী এ বি পাস তৌরক্লবা মতমদা ঐখোয়গীদমক য়েংদুনা তোঙানবা ক্লোজ অমা হাপহনগনি কায়না হায়রি পল্লিবা ষ্টেট লৈঙাকসিনা। হায়জবগী ৰানি মখোয়সু হায়বা ঙমদ্রি করম্না হাপকদৌরিবনো হায়বদো।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি, হৌজিক ইরমদম কংলৈপাক করম্বা মায়কৈদা চৎকদৌরিবনো হায়বা ঙমদ্রে। য়াম্না লুবা ফীভম অমদা লৈরে। লমদম অসি চয়েৎনবা হীরম কয়া অমনা কুপশিন্দুনা করম্বা মায়কৈদা চৎলিবনো হায়বফাওবা খঙদ্রবনি। অসিগুম্বা লুরবা তাঙ্কক অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৰাং নোংপোক্কী লমদমশিং অসিবু অমগা অমগা নুংশিনদনা থম্লগা লায়না লৈঙাক চখুনবা করম্বা অরোনবা পোরমশিং য়াৎলিবা হায়বা ঙমদ্রি। অদুগা অমরোমদনা অসিগুম্বা য়াম্না লুরবা হীরম কয়াদা চয়েৎনবনা থল্লবা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী ফম মুন্নবদা পূক্লিং লুপ্তুনা লৈরি, মীকপ থোকত্রি। ঐখোয়গী লুচিংবশিং মীকপ থোকপীরো। নখোয় নখোয়গী ফম ফংনবা হোৎনরিঙৈদা নখোয়দা থাজবদি সুম সুম মাঙশিল্লক্লি হায়বসি খরসু খনবীয়ু। অদুগা ইরৈচা ঐখোয়সু মীৎ-না শিংনা লৈবা মথৌ তাই। ইশানা ইশাগী ঙমখৈ ঙাকচবগী মতমদো য়ৌরক্লব্রা খল্লি। অপূনবনা য়াইফরে। ●

# IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 320/AS&SO/TBL Dt. 22/06/2019**

1) Laishram Kumar Singh S/o L. Kala Singh of Khangabok Mayai Leikai.
2) -do- Naba Singh S/o L. Kala Singh of Khangabok Part-II Mayai Leikai.
3) -do- Yaiskul Singh S/o L. Kala Singh of -do-
4. -do- Sharat Singh S/o (L) Bihari Singh of -do-
5. -do- Tomba Singh S/o (L) Bihari Singh of -do- *...Applicants*

-Vs-

(Late) 1) Laishram Atonangou Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khangabok.
2) -do- Bihari Singh S/o (L) L. Amuyaima Singh of Khangabok

- O.P.Ps

**/ NOTICE**

26/06/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩৩ - খাঙবোক (১) পাট্টা নং ১৪৭৮ (অরিবা), ২৭৬৭ (অনৌবা), দাগ নং ৫০৬০, এরিয়া .২০৮৭ হেক্তর (২) পাট্টা নং ৭৫৯ (অরিবা), ২৭৬৯ (অনৌবা), দাগ নং ৫০৬২ এরিয়া.২২৫০ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো পাট্টাদার নং ১ অমসুং ২ (১) লাইশ্রম অতোলঅঙৌ সিংহ (২) লাইশ্রম বিহারি সিংহ মৃতু: ওইখ্রে। মৃতু: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
**Asstt. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal, Govt. of Manipur**

HL-P/3371/11


# URGENTLY JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | EDUCATION LOAN AVAILABLE (HURRY, HURRY) | | | |
| 2. | Direct selection & joint for Airport Job vacancy of IGI / North East / Bangalore & Hyderabad (Semi Govt. Job 50% seat reserved for ST) | | | |
| | i. Air Ticketing / Customer Service CSA | 17,000 – 90,000 | 50 | G/M |
| | ii. VIP Foreign Staff / Meet & Asst. Staff | 15,000 – 50,000 | 40 | XI/XII |
| | iii. Airport Driver (Heavy) | 15,000 – 60,000 | 20 | X/XII |
| | iv. G-Loader / Customer Potter | 13,000 – 40,000 | 50 | VIII/X |
| | v. Flight Cleaner/Cargo Asst. Staff | 15,000 – 50,000 | 30 | VIII/X |
| | vi. G-Retail CSA/G-Shopping Mall | 14,000 – 40,000 | 20 | X/XII |
| | vii. Air Hostess (Fresher) /Cabin Crew | 45,000 – 3 lakh | 20 | XII/G |
| 3. | In Imphal Post vacancy 100% success guide. | | | |
| | i. Office Reception (Female) | 4,000 – 10,000 | 10 | X/XII |
| | ii. Security Guard / Ladies Guard | 6,000 – 10,000 | 50 | VIII/X |
| | iii. VIP Gunman guard / Ex-Servicemen | 8,000 – 15,000 | 30 | VIII/X |
| | iv. Accountant / Cashier | 8,000 – 10,000 | 10 | B.Com |
| | v. Security Supervisor / Driver (D.I) | 7,000 – 15,000 | 40 | VIII/X |
| | vi. PHP, My SQL Web/Net Android Dev. | 8,000 above | 5 | G/M |
| | vii. Soft Engg./Android Dev. (Fresh/Exp.) | 10,000 – above | 5 | G/M |
| | viii. Micro R.O. / Driver | 5,000 – 10,000 | 40 | VIII/X |
| | ix. Micro Finance P.R.O./Micro C.R.O. | 7,000 – 40,000 | 30 | XII/G |
| | x. Field Service Technician (M) | 7,000 – 10,000 | 10 | ITI (EL) |
| | xi. Store Keeper with Comp. knwld. (M) | 6,000 – 12,000 | 10 | G/M |
| | xii. Manager (M) | 8,000 – 20,000 | 10 | G/M |
| 4. | No Deposit work at Imphal. | | | |
| | i. Manager (M) / Accountant | 6,000 – 15,000 | 10 | G/M |
| | ii. Driver / Helper | 5,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| | iii. Sales – executive (M/F) | 5,000 – 20,000 | 40 | X/XII/G |
| | iv. Juice Selling Water (M/F) | 5,000 – above | 30 | VIII/X |
| 5. | Banking Sitting Staff requirement | | | |
| | i. Banking sitting staff | 17,000 – 80,000 | 20 | G/M |

Date of Submission : 18-07-2019
Date of Interview : 19-07-2019
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. C.Cpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/4350/24,27,1,4,6,8,11,13,15,17july



DELTA Advance School

DAS

Kwakeithel Bazar, Imphal

Good News for Class X Compartmental Pass Students only

Lateral Admission for Class XI(Science & Arts)

Only for 20 Seats First come First Admission Basis

•Remedial Classes •3 months fees Exemption •30% Concession on Coaching

HL-B/5502/21/6-20/7



OUR SHINING STARS



1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM

SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE

CLASS X, XISc. & XIISc.

START ON 10th July 2019

2nd FOUNDATION COURSE

XI & XII START ON 12nd AUG.2019

Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/4242/31may/1-29june/1-15july


# / TRANSFER OF OWNERSHIP

This is hereby informed that **M/s P. I. S. Brick Field** operating under Factory Licence No. 105/FACT/Brick located at Wangjing Saban Checkon Leikai, P. O. Wangjing, Thoubal District will change ownership from the present owner namely **Shri Paonam Kebisana Singh, Wangjing** to **Smt. Paonam Memcha Devi, Wangjing** on the demise of Shri Paonam Kebisana Singh. Any objection should reach Chief Inspector of Factories and Boilers cum Director of Trade Commerce & Industries Manipur within 14 (fourteen) days from the date of publication.

HL-P/3361/10,11,12

**Sd/- Philip Paonam,** # 9650834413

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯

১। মৈতৈ পুৰারীদা মৈতৈলৈমা পাইখু লান্থবী, গোমতী মহারাণীগী ৰারী কান্দুনা চৎপা খক য়াররোই। মহাক কনাসু নত্তে, ইরোম থম্বালনি। মৈদিংঙু গরিবনিৰাজনা লৌখিবনি।
(ক) ইরোম থম্বাল কৈয়ূম নিংঙোলনো?
(খ) মৈদিংঙু গরিবনিৰাজনা উমংলাই ময়াম খোমগৎলগা ফুমখিবা মফমদু কদায়দনো?

২। "মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে/চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।" ৰাফমসি ঐখোয়গী উপন্যাসকার, হিজম গুণনা উপন্যাস অমদা হায়বনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "লৈরাংবী/লেংশিল্লি নহাক্কী থোৎলবা নখূৎনা/পুন্সি কয়াবু মতমগী লংজাশিংদা।" পরেং অহুম অসিনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নোংদোন্দা শীৎপা তিল মায়দা তাই হায়বদু হেক থোক্লেকো।" ৰাফমসিনা 'থাজরুবনা' কৌবা ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অসিগী 'থম্মোয়গী লংলা' কৌবা ৰারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক অদু কনানো?

৫। "ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিনগুম/হল্লক্লো নখোয়গী থৱায় মিরেন্না/লোইবী চীংদা চাক্তাখিবা ইবুংশিং।" পরেং অহুম অসিনা মচল ওইবীশিংনা নীংতম্বা লৌবা চৎখিবা মবুংশিংবু কৌজবনি। 'কৌরি মমানা মচাশিংবু' কৌবা ঈশৈ লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।